# সেন্টরগী রিসফল মনিলনা
# মণিপুর গভর্নমেন্টতা য়ৈরকপা

শেঙ্গা-থুমজাগী লোইবা নাইদ্রবা ৱাথোক কয়া মায়োক্লরিবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেশিভ এল্লাইন্স (য়ুপিএ) গভর্নমেন্টনা ধুম-ধাম তৌদুনা অনৌবা মন্ত্রি কুন্নিথোই হাপচিল্লগা য়ুনিয়ন কেবীনেট জুম্বো সাইজদা চাউথোকহনখিবা অসিগী থোইদোকপা মরম অহুম লৈ। ইহান হানবা মরম অদুনা অহল ওইরবা মিনিষ্টরশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌদবা অসিনি। অনিশুবা মরমনা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা চহী অমা মখায় ফাজিল্লক্ত্রবা মতম অসিদা য়ুপিএগী মন্ত্রিশিংগী মরক্তগী অচুম্বা তৌবদা মমিং শোন্নরিবা হান্নগী পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর জয়পাল রেদ্দিনা রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিজগুম্বা কঙ্গ্রেস পার্টিগী অচৌবা ফন্দ কয়া দান তৌরিবা কোর্পোরেট বোদি অমগা মুক্লরকপা অসিনি। অদুগা, অহুমশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা মরম অমনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী পুক্নীংবু কঙ্গ্রেস অমসুং বীজেপি অনিনা শোক্লরিবা শেঙ্গা-থুমজা অমসুং হুরান-চিন্থিগা মরী লৈনবা চীন- কাঙজেগী লাঞ্জাউ অসিদগী চোইথোকহন্নবা হোৎনরকপনি। অদুবু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী লাইবক ফবনা ইন্দিয়ান মেদিয়ানা গভর্নমেন্ট অমসুং ওপ্পোজিসন পার্টি অনিমক্কি অফবা অমদি ফত্তবা মশক অনিমক অসিবু থোং মান্নবা মওং অমদা লেপ্পা লৈতনা পাক-শন্না শন্দোকপা মরম্না ঙসিদি কেবীনেট রিসফলগুম্বা মিত্রংগী কুম্মৈ খরা উৎলগা পব্লিক ওপিনিয়নবু লান্না লমজিংনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না ৱানা থোক্লগনি।

মণিপুরদসু কঙ্গ্রেসকি চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহগী গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ২২৪ চেন্নবা লোক্তাক্কি ফুমদি শেংবগী ৱাথোক, ষ্টেট অসিগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা স্পিকরনা মশামক্কি লোয়নবীবু ও বী সি সার্টিফিকেটতা থবক হাপচিনবগী ৱাথোক, মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গ্যারেন্তি স্কিমগী লুপা ক্রোড় কয়ামরুম হাইহৎপগী ৱাথোক অমসুং নেস্নেল রুরেল হেলথ মিসনগী ৱাথোক অসিনচিংবা ৱাথোক কয়া মায়োক্লরকপা মতাং অমদা নহানমখৈ কঙ্গ্রেস হায় কম্মান্দগী ইন্সত্রক্সন ফাওবা থৌশাদনা নমশিন্দুনা থল্লম্বা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম্বু দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর হাপ্পগী পীক্তকপা লিলা মচা অমা শান্নরক্লি। সেন্টরদা অনৌবা মিনিষ্ট্রি ২২ হাপচিনবগী ঈৰাং অদুমক গাইখাঙম্বু দিপ্যুটি সি এমগী ফম থিন্দোকপা অসিনা মণিপুরদা শাগৎপা উদে। মরম অসিনা হন্দক্কি ষ্টেট কেবীনেট রিসফল অসিনা মণিপুরগী মীয়ামগী মিৎতা উৎ চাইদুনা গভর্নমেন্টনা মায়োক্লরিবা শেঙ্গা-থুমজাগী মরালশিং অদু লোৎশিনবা ঙমগনি হায়বসি থাজনীংঙাই ওইদে। অমরোমদা, দিপ্যুটি সিএম গাইখাঙম অসি চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহগী লিদরশিপ্তা নুংনাংবা পোকহন্নীংঙাই ওইবা দিসিদেন্ট লিদর অমা ওইনসু লৌনদবা নত্তে। মণিপুর গভর্নমেন্ট অসি মপাঙ্থোংদা লিংজেল মান্ননা উজরবসু মনুংদদি গাইখাঙমগী কেম্প অমসুং ইবোবীগী কেম্প হায়না কাঙলুপ অনি থোক্লা লৈবগুম উবা ফংনরি। শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক মায়োক্লরকপদা গাইখাঙম্বু তঙায়ফদবা মানবা মওং অমদা দিপ্যুটি সিএম হাপ্পগী মরম অদু চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা মীয়ামদা শেংদোকপা চুমগনি।

চৈরক অসিদা, দিল্লিগী হায় কম্মান্দনা ও ইবোবী সিংহবু এন এস সি এন (আইএম)গী নাগা ইন্টিগ্রেসনগী মায়োক্তা লেপ্লী হায়দুনা শাওরে হায়বা ৱাফম অমসু তোকঙা ওই, করি ওই পঙাং ঙাংনরকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মণিপুরগী অনৌবা চিফ মিনিষ্টর অমা হাপ্লকপা য়াই হায়নসু নিনফুং নিনফুং ঙাংনরি। থৌওং অসু কঙ্গ্রেস হায় কম্মান্দগীদি শেনজা-থুমজাগী পব্লিক ওপিনিয়ন নক্ষৎনবা রিসফল মওং অমনি হায়না লৌবা য়াই। গাইখাঙমগী রিসফল অসিনা কয়া কান্নবা ফল ফংগদবা উদ্রবদি চিফ মিনিষ্টর ওইনা রিসফল তৌরকপসু য়ারি।